এম এল এ রাধেশ্যামনা মীওই ৮দা লুপা লিশীং ৫০/৫০ পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচএনএস): হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙসিসু এ সী অসিগী মনুংদগী কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা ইমুং নিপালদা লুপা ৫০,০০০/৫০,০০০গী মতেং পাংখ্রে।

ঙসি হৈরোক এ সীগী ওইনা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকপা তেংবাঙ শেল য়েন্থোকপগী পূক্লিং নুংশিবা অচন্বা থৌরম অমদা এম এল এগী মায়কৈদগী তেংবাঙ শেল অদু লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা হকথেংননা খূৎশিন্নখি।

তেংবাঙ শেল অদু য়েন্থোক্লদুনা এম এল এ রাধেশ্যামনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ইমুং মনুংদা লৈতবা য়াওরকপা হায়বসি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা, পূক্লিং নুংশিবা থৌদোক্লি। ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা মতেং খরদা ওইরবসু হায়না এ সী অসিগী লৈজরিবা টাস্ক ফোর্স অমসুং কন্মিটিগী থৌমী ময়াম তানজরগা শেলগী মতেং অসি পাংজবনি। পাংজরিবা মতেং অসি শেল মরাং কায়না লৈদুনা পীরিবনি হায়না খনবীগনু, মসিদি অৱাবা তারিবা ইমুংশিং অদুদা ঐখোয় অমত্তনি, অৱাবা তাবদা ঐখোয় লৈরি হায়বগী নুংশিনবা অদুনি হায়খি।

এম এল এনা অসুম্নসু হায়, লৈখিদ্রবা মীওই অদু শেলনা অমুক হল্লকহনবদি ঙম্বা নত্তে, অদুবু লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী অৱাবদা শরুক য়াবা অমদি তেংবাং পীবা অসিদি তৌফম থোকই হায়না খঞ্জরগা লুপা ৫০,০০০/৫০,০০০ মতেং পাংগনি হায়না লাউথোকচখিবনি।

এম এল এনা চহী অহুমগী মতুংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পনা মরম ওইরগা হৈরোক এ সীদা মী শিবা য়াওরবদি লুপা লাখ ১০/১০ কম্পেন্সেসন পীগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু অমুক্কা হন্না নীংশিংলদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পা অসিনা মী শিগদবা নত্তে, লাইচৎ অসি শন্দোকপা থিংনবা অমত্তা ঙাইরবা উপাইদি ভেক্সিন কাপ্পনি। ভেক্সিন কাপ্পদা কনাগুম্বা অনেন্বা থাক্কী পোলিটিক্স তৌবা, অখুবা মীৎয়েং য়েংবা মীওই খরনা ইচম চমজবা করিসু খঙজদবা মীওইশিংগী য়ূম য়ূমদা চঙলগা ভেক্সিন কাপ্পদি চহী অহুমগী মতুংদা শিগনি, ভেক্সিন কাপ্পদি য়োং ওনবনি হায়বনচিংবা ওইদ-পাদবা ময়াম হায়জিন্দুনা কিহল্লগা ভেক্সিন কাপ্তনবা হোৎনরিবা অদুদা থাজবীগনু, মখোয়না হায়রিবা ময়াম অদু অচুম্বা অশেংবা অমত্তা নত্তে। ভেক্সিন শোয়দনা কাপ্পীয়ু, হৌজিক হৌজিক য়ুরো কপ য়েংলিবা মীয়াম অদু মখোয়গীদি ভেক্সিন লোইনা কাপখ্রবনিনা মাস্ক অমত্তা উপত্রিবা অদুনি। ভেক্সিন কাপ্পনা কোভিদ-১৯গী লায়না অসিদগী য়াম্না লায়না কনবা ঙমগনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু এম এল এ রাধেশ্যামনা থমখি। এম এল এনা হায়, ঐখোয় মীওইবগী পুন্সি হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে, ঐখোয় পূম্নমক ঙাইহাক ঙাইহাক্কী তাইবঙ লীলা য়াওবা লাকপনি। ঐখোয়গী অশেংবা মপুদি শেন্বীবা মপুনি। ঐখোয় মশেল অমগা অমগা নুংশিনবা, মতেং পাংনবা হায়বা অসিদগী হেনবা অতৈ লৈতে। মীখল মতমদা ইশা ইশানা অপান্বা অদুদা নম্বীয়ু, করিসু অকায়বা লৈতে, কোরোনাগী লাঞ্জাও মতম অসিদদি পোলিটিক্স তৌবীগনু, ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পূনশিল্লগা লাইচৎ অসি মায়থিবা পীমিন্নসি হায়নসু এম এল এনা আপীল তৌখি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী তেংবাং শেল ফংবদা য়াওখিবী লৌরেম্বমদগী খ্বাইরাকপম তনুজা কৌবী অমনা এম এল এ রাধেশ্যামবু তৌবীমল খঙবা উৎপা ৱাফম কয়া থমখি।

ইলেক্সন মায় পাক্লবগী ভোট লেপ্পা নত্তে, মীয়ামগী ...

লামায় ১গী মখা... পার্টি অমদা চোংথোক-চোংশিন তৌরিবসি লো খঙদবা অমদি মীয়ামগী ইহুল খঙদবনি হায়জনিংই।

ৱাহং : করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুমফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা লাপ্তেংনগে খনবিরি?

পাউ : নেসনল পিপল্স পার্টিগী ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অমা ওইনসু হৌজিক-হৌজিক থৌ পুরি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা নেসনল পিপল্স পার্টিগী কেন্দিদেট অমা অদুমক ওইনা ভোট লেপক্কনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না ক্ষেত্রিগাউ মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক তৌগে খনবদি য়াম্না লৈখ্রে। অদুবু তঙাইফদনা অহানবা ওইনা তৌদবা য়াদ্রবা তৌগে হায়না খল্লিবা থবকশিং অদুদি এ সী অসিগী লম্বীশিং মোর্দন হায়টেক ওইহনবা, থক্লবা ঈশিং য়ূমথোং খুদিং ফংহনবা অমদি মহৈ তম্লুরগা তোক্তুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংবু মপুং ফানা মহৈ তমহন্নবা থবকশিং ইহান হান্না পাঙথোক্কনি। মদুগী মখা তারকপা থবকশিং তৌনবা রোদ মেপসু য়াৎপা লোইরে।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৪ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম অসি করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : শোৎথরিবা অসিগী মরম কয়া লৈগনি। মরমশিং অসিগী মনুংদা ফিয়র সাইকোসিস অমা লৈরি। ট্রান্সপোর্ট অমদি কম্যুনিকেসনদা মতম শাংনা অহোবা কয়া লৈখিবা অমদি জিওগ্রাফিকেল কন্দিসন অসিসু মরম অমনি। তৌবতবু শাংলবা চহী কয়া অসিদা লৈরিবা অৱাৎপশিং অসি মেনখৎপদি য়ারম্বনি। অদুবু ঐখোয়না পুন্না হোৎনরবদি হৌজিকসু পূম্নমক সোল্ভ তৌবা ঙমগনি থাজে। ট্রান্সপোর্ট অমদি কম্যুনিকেসন অসি য়াম্না অফবা ওইহল্লগদি খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলক্কনি। ষ্টেটকী রিভেন্যু ইমপ্রুভ তৌবা য়াবসি কদাই-কদাইদা লৈ হায়না থিগৎলগা হোৎনরন্নবদি অমুক্কা হেন্না চাওখৎলমগদবনি। হৌজিকসু লমদম অসিগা চান্নবা এগ্রো অমদি মেদিসনেল প্লান্ট থাদুনা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরম কয়া তৌদুনা চাওখৎনবা হোৎনবা য়াই।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : এম বি এ লোইশিনখ্রে, লোয়ননা হৌজিক এল এল বিসু তৌরি। তোঙান-তোঙানবা কোর্স কয়াসু লোইশিনখ্রে। অপোকপগী মীংনা লৈখিদ্রবা অলহজ নুর মুহাম্মদ অমদি অপোকপীগী মীংনা হজ্জন হুসনে বানু কৌই।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়না পার্টিশিংগী মেনিফেস্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ: ক্ষেত্রিগাউ এ সী অসিগী ওইনা তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি শোয়দনা তৌবা ঙমগনি। মরমদি ঐগীদি অকক্লবা মতম অমদা তৌরক্কদবা থবকশিংগী প্লান লোয়না য়াৎপা লোইরে। মরম অদুনা মীয়াম্না ভোটপু কাহনবিরবদি ৱাশক লৌবা নুমীৎতগী হৌদুনা অদুমক তুম্বা-চাবা খঙদনা পান্দম অমগা লোয়ননা থবক তৌগনি। ক্ষেত্রিগাউ মীয়ামগীদমক তৌগদবা থবকশিংগী রোদ মেপসু শেন্বা লোইরে। তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদা ঐনা তৌগদৌরিবা থবকশিং অসি এগজামপল সেট তৌদুনা অওনবা এ সী অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনগনি। এ সী অসিগী মীয়ামগী থবক তৌনিংবগী অপাম্বসু য়াম্না চাওনা লৈ।

ৱাহং : অদোমগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী টোটেল ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? মিক্স ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : ক্ষেত্রিগাউ এ সীগী টোটেল ভোটর অসি লিশিং ৩৫ মুক লৈ। পোল্লিং ষ্টেসন ৪৬ লৈ। মিক্স ভোটর লৈ।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাও ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি ফনা অমত্তা ঙাঙনদে হায়বসি য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। মসিগী মরম কয়া অমা লৈখ্রে। অদুবু পোলিটিক্স হায়বসি মুন্না য়েংলুরগদি অমদি পুকচেল শেংনা থবক তৌরবদি য়াম্না ফজবা পোৎশক অমনি। পোলিটিক্সতি পোলিটিক্সনা থেংনগদবনি, লনাই ওইনা থেংনগদবা নত্তে। পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি ফত্তে হায়নরবসু মীয়ামগী থবক থৌরম পাকশন্না তৌগে হায়রবদি পোলিটিক্সতা চঙদ্রবদি মপুং ফানা তৌগে খল্লিবা থবকশিং তৌবা ঙল্লোই। লিমিটেসন কয়া লৈরক্কনি। মরম অদুনা মীয়ামগী থবক তৌনা-তৌনা য়াম্না ফজবা পোলিটিক্স অমা তৌবা পান্দম্বগী লম্ অসিদা চঙলকখিবনি। ইলেক্সন মায়পাক্লবগী পান্দমদা ভোট লেপ্পকপা নত্তে, মীয়ামগী থবক তৌগে হায়না থোক্লপনি।

ৱাহং : করসপন চাওনা লৈরে পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : লমদম অসিদা লৈঙাক্কী থবক তৌবসি য়াম্না লুম্না লৌনৈ। মসি অতোপ্পা লম্বী অমা লৈতবদগী থোক্লকপনি। মরম অদুনা তুংগী প্লানিং য়াৎপগা লোয়ননা জোব জেনরেসন ওইরক্লবা হোৎনবিবা ফৈ। লোয়ননা লৈবাক অসিদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন লৈরব্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। এগজাম অমা হেক তৌবা মতমদা অমদি থবক লৌবগী ইন্টরভিয়ু লৌবা মতমদা ওটোনোমস বোদি অমগী মীৎয়েং মখাদা চৎথহন্নিংই। লৈঙাক্কী থবক নৎতবা নহাশিংনা তৌবা য়াবা অতোপ্পা থবকশিং লৈঙাক্লা শিনবিবা ফৈ। মদুনা মশা-মথন্তা অদুমক করপসন মাঙখিগনি খল্লি।

ৱাহং : লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি অদুবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা লমদম অসিগী নহাশিং মাঙবা য়াবা কয়া মাঙহনখ্রে হায়বসি য়াম্না চুম্লবা ৱাফমনি। মতম লৈরিঙৈ অসিদা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি লমদম অসি মীনাই নাইথাংদা মীগী মখাদা অদুমক হিংদুনা লৈখিবা য়াই। লমদম অসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপশিংসু তপ্না-তপ্না মাঙখিবা য়াই। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা অল্টরনেটিভ ফাইনান্সিএল সোর্স অমা পীরবদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক ললোনবগী থবক অসিসু খরা হন্থরক্কনি হায়না খল্লি। মমিংতগী ওইনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মুথৎসি অমদি মাঙহনসি হায়না লাউবা-খোংবা অমদি থবক তৌবনা ঙল্লোই। ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা পুকচেল শেংনা পূম্নমক্লা লেপমিন্নবা অমা চঙলি অমদি শেল্লিবা লো অদু ষ্ট্রিকলি ইমপ্লিমেন্ট তৌহন্নিংই। লমদম অসিদা লৈরিবা রিহেব্লিটেসন সেন্টরশিং অসি সোসল রিফোর্মেসনগী সেন্টর অমসু ওইহন্নিংই। মদুনা রিহেব্লিটেসন সেন্টরদগী থোকখ্রবা মীওইশিং অদু মরোমদম হিংজবা ঙমগনি।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : লৈঙাক খুদিংনা মীওই খুদিংবু গভর্ণমেন্ট জোব পীবা ঙল্লোই। হিংনবগী অল্টরনেটিভ ওইবা লম্বী অমা পীবা মথৌ তাই। লৈজরিবা হ্যুমেন রিছোর্স অসি করম হায়না টেপ তৌগনি। স্কিল ইমপ্লোয় মতৌ করম্না ওইহনসিগে হায়বরোমদা অখন্ননা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারি। ষ্টেট অসিগা চান্নবা থবক-থৌরম কয়া তৌনবা লৈঙাক্লা শিনবিরবা মতমদা ইমপ্লোয়মেন্ট জেনরেট তৌবা ঙল্লক্তুনা অমদি অলটরনেটিভ ওইবা মওংদা তোঙান-তোঙানবা হিংনবগী লম্বী পীবিরবদি লমদম অসিদগী অনইমপ্লোয়মেন্টকী লৈরিবা প্রোব্লেম অসি খরমখৈদি হন্থরকপা ঙমগনি। লোয়ননা ঐখোয় পূম্নমক তনবা হায়বা পোৎশক অসি থাদোকসি। চাওখৎপগী লমজেলদা অমত্তা ওইনা পুন্না অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা চঙশিনবা মথৌ তাই। মতম অদুদা সনা লৈবাক মণিপুর অতৈ চাওখৎলবা ষ্টেটশিংগা মীমান্নবা ঙমগনি।

ইভফমগী...

লামায় ১গী মখা... ৱেষ্টনা হায় কোর্টতা রিফরেন্স থাখ্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইভফম শাফোংলকখিবদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা লৌরক্লিবা থৌদাং অদুক্কী মতিক চাউই। ফেক এনকাউন্টরগী থৌদোক কয়াগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং মালেমগী ফম্বাক কয়াদা পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি ইভফমনা চহী ১২ চূপ্পা থেংনরক্লিবা লান অসি মায় পাকপা ঙমদ্রি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইভফমগী প্রসিদেন্ট রেনু তখেল্লম্বম, লৈখিদ্রবী মনোরমাগী মৌপ্পা য়াওনা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা শরুক য়াখি।

পোজিটিভ কেস...

লামায় ১গী মখা... সেক্সন ৫৪ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০5 রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। লোয়ননা পুলিসনা ফাগৎলবা মখোয় অহুম্বু ঙসি মরী লৈনবা কোর্টতা থা অসিগী ১৪ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, পুলিসকী মায়কৈদগী কোর্টতা সবমিট তৌখিবা মখোয়গী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়রদা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না ঙরাং তাকয়েল খোংবান এরিয়াগী মফম অহুমদা পাঙথোকখিবা য়ূমথোঙ খুদিংগী মীওই ২/২ টেষ্ট তৌবা অদুদা মীওই ৭৩৭ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ৩১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি হায়রি।

জুলাই ১৩দগী ১৫ ...

লামায় ১গী মখা... লৈমিন্নরিবা ইমুংশিংগী মীওইশিংসু টেষ্ট তৌগনি হায়রি।

হায়রিবা কোভিদ টেষ্টিংগী স্পেসল দ্রাইভ অসিগীদমক মথৌ তাবা থৌরাংশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও) না লৌখৎনবসু ওর্দর অসিনা খঙহল্লি।

পাউচে অসিগী ঙরাংগী এদিসন্দা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম মঙাদা য়ূমথোংগী কোভিদ টেষ্টিং পাঙথোক্কনি হায়খিবা অদুগী মহুত্তা জুলাই ১১দনা তাওবুংখোক্কী ওইনা তাওবুংখোক ৱেলফেয়র ক্লবকী মতেংগা লোয়ননা তাওবুংখোক অৱাং লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়গদবনি অদুগা লেমহৌরিবা মফম মঙাগীনা থা অসিগী ১৩, ১৪ অমসুং ১৫দা পাঙথোক্কনি হায়গদবনি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.489399
US Dollar	74.508081
British Pound	103.632554
Australian Dollar	55.771677
Chinese Yuan Renminbi	11.499503
Japanese Yen	0.676661
Malaysian Ringgit	17.776975
Singapore Dollar	55.141750
South Korean Won	0.065097
Saudi Arabian Riyal	19.868822
Thai Baht	2.290259

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48081.00
Mumbai	–	Rs	48005.00
Delhi	–	Rs	47767.00
Kolkata	–	Rs	47890.00

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPTO 07/06/21
VALID FROM30/05/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738, 8794622868
OFFICE TIMING 8.00AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking-- Upto Date(14.2kg)
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 10/05/2021
BOOKING UPTO: 11/05/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
TIMING: 8:00AM to 12:00 PM
(HOME DELIVERY ONLY)

ওল মণিপুর ন্যুজপেপরস এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া এমপ্লোয়ীজ এসোসিএসনগী থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ন্যুজপেপরস এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া এমপ্লোয়িজ এসোসিএসন (এমনেমিয়া) গী চৎলিবা কুমজা ২০২১দগী ২০২৪ ফাওবগী ওইনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়রি।

থৌ পুবশিং অসি জুন ১৩, ২০২১দা পাঙথোকখিবা এসোসিএসন অসিগী ৫৯লকশুবা মীফমদা খনখিবনি হায়রি। খল্লবশিংদি কে অমুচৌ (প্রসিদেন্ট), ঐচ রোমিও (ভাইস প্রসিদেন্ট), এল অন্বারি (জেনরেল সেক্রেটরি), এম গোগো (জেইন্ট সেক্রেটরি), কে ঐচ সুন্দর (ফাইনান্স সেক্রেটরি), ও জিনা (ওদিটর), এম দি সবির (পব্লিসিটি সেক্রেটরি, এন ননাও (এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি), এ বিমোল (জেনরেল সেক্রেটরি-হেলপিং হেন্দ) অমসুং ঈ অমুবা (জোইন্ট সেক্রেটরি-হেলপিং হেন্দ) নি হায়রি।

লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি সবিরনা থোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা মে ২০, ২০১৮দগী লীংখৎখিবা এসোসিএসন অসিনা ঙসি ফাওবদা মেম্বর ৩১দা শেলগী মতেং পাংখ্রে। লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী এদভাইজর ওইনা লৈরিবা এল চিত্রকুমার, থোকচোম ঙৌথোই অমদি দব্লিয়ু রঞ্জিৎপু মশা মশানা লৈরিবা প্রেসশিংদগী হেক্তা পোথাবা মতমদা মশা লৈরিঙৈ ফাওবা পেন্সন পীনবা হান্না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা থা খুদিংগী সেকেন্দ সেটরদেগী অয়ূক পুং ৭তগী ৮ ফাওবা মীফম চথুরি হায়বগা লোয়ননা ঙসিসু এসোসিএসন অসিগী ওইবা য়ুট্যুব চেনেল অমসু হাংদোকখ্রে হায়রি।

অসিগুম্বা প্লেনা কোভিদ লায়নাগী মরম অমসুং ভেক্সিনেসনগী মরু ওইবা...

লামায় ১গী মখা... পাঙথোকখিবা প্রেমিয়র শো উৎপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবনি। হায়রিবা শুমাং কুম্মৈ অসি দি আই পি আরগী ফেসবুক পেজ অমসুং য়ুট্যুব চেনেলদা ষ্ট্রিম লাইভ তৌখিবগা লোয়ননা আই এস টি ভি, ইম্পেক্ট টি ভি অমসুং তোম টি ভিগী চেনেলশিংনসু টেলিকাষ্ট তৌখি।

থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, অসিগুম্বা মখলগী প্লে অসিনা কোভিদ-১৯ লায়নাগী মতাংদা অমসুং কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী মরু ওইবশিংগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহল্লগনি। হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি য়েংলদুনা গভর্ণমেন্টনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক অকনবা থবকশিং পায়খৎলি হায়খি।

থৌরম অসিগী খুদোংচাবা লৌরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমসুং হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা পেসেন্ট পূম্নমক্কী চাননবা চাক লেম্না পীরগনি। য়ূমথোঙ খুদিংগী কোভিদ-১৯ টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথবা হৌখ্রে হায়বগা লোয়ননা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ মায়োক্লরিবা অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীনবা আপীল তৌখি। লোয়ননা তেল্লবা মতমগী মনুংদা অসিগুম্বা প্লে অমা পুথোরকপগীদমক দি আই পি আরবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আই পি আরগী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়, সোসাইটি পূম্নমক্কী মহৌশাগী ওইবা মচৎ অমসুং শেল থুমগী ফীভমদা পেন্দমিক অসিনা শাথীনা শোকহল্লে। পেন্দমিক অসি হৌরকপদগী লৈঙাক্লা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমসুং মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈঙাক অসিনসু মীপূম খুদিংমক্তা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওনা লেম্না ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চথবা হৌরে হায়খি।

কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপথোকপনা খ্বাইদগী শাফবা অমসুং লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী ফবা পান্বৈনি হায়রদুনা হীদাক অসি মীয়ামদা কাপথোক্লবগীদমক শাংলবা প্রোসেস অমা চথরক্লবা মতুং ক্লিনিকেল ত্রাইএলশিং তৌরগা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা এপ্রুভ তৌরবা হীদাকনি। মীয়ামগী মতেং অমসুং কো-ওপরেসন য়াওদনা গভর্ণমেন্ট খক্তনা পেন্দমিক অসি মায়োক্লবা ঙল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা দেল্টা ভেরিএন্ট কেস ২০৫ ...

লামায় ১গী মখা... লৈখিদবা মফমশিংনা রিমসতা ১, জেনিমস ৪, শিজ হোস্পিটাল ২, রাজ মেদিসিটি ২, এম এস এফ লিট্টল ফ্লৱার ৩ অমসুং থৌবাল অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মীওই ১/১ লৈখিদবনি হায়রি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৪ অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীশিং ১২৭২ শুরে হায়রি। ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫৭০নি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসন দগী ২২৮, রিমস ১৮, জেনিমস ৭, সী সী সীশিংদগী ১১০ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ২০৭নি হায়রি। ঙসি নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৯১১ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৭৭,৭৩১ শুরে। অদুগা রিকোভর তৌখ্রবশিংগী অপূনবা মশীংনা ৬৯,২২৪ শুরে। অদুগা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৭,২৩৫ লৈরি হায়বগা লোয়ননা ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৯.০৫নি হায়রি।অদুম ওইনমক ঙরাং ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৮,৭১,৪৭০ (ফর্ষ্ট দোজ-৭,৭৭২০২ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ৯৪,২৬৮) শুরে হায়রি।

হন্দক্কী ঈচাওদা হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট ওইরবা ‘থোং নম্বোনবী’ গী মরাইবক করি ...

লামায় ১গী মখা... শাগৎপগী থবক চথগনি হায়দুনা ফাওবা ফোঙদোক্লমখি। অদুম ওইনমক মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরদুনা আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (এ এস আই) গী টিম অদুসু অমুক হল্লকখিদ্রে। মরম অসিনা কুমসি চহীগী হৌরক্লিবা নোংজু থা অসিনা মপূং মরৈ ফানা নোং চুশিল্লক্তুনা নম্বুল তুরেলগী ঈমাই মহৌশাগুম্না ৱাংখৎলক্লগাদি থোং অসিগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈরি।

থোং নম্বোনবী অসি মণিপুর এসেন্ট এন্দ হিষ্টরিকেল মোন্যুমেন্ট এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইট এন্দ রিমেন্স এক্ট, ১৯৭৬কী মতুংইন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ওগষ্ট ১১, ১৯৯২দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর ৩/৪/৯০-এস ঈ (এ সী) গী মতুংইন্না ‘চেকশিল্লবা মফম’ (প্রোটেক্টেদ এরিয়া) নি হায়দুনা লাউথোকখিবনি।

এক্ট অসিগী মতুংইন্না প্রোটেক্টেদ এরিয়াগী জোন মনুং চল্লিবা মফম্বু মীওই অমত্তনা থুগাই-য়ৈথাইবা নৎত্রগা মাঙহন তাকহন্নবগী থবক চথরকপদা অদুগুম্বা মীওইশিং অদুগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগা চৈরাক পীগনি হায়বসিসু মীয়াম মাঙদা ফোংনা ইদুনা থম্লক্লিবনি। অদুবু আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী টিম অদু অমুক হন্না লাকখিদ্রবসু করিগুম্বা নম্বুল তুরেলগী ঈমাইবু ঈশিং ঈচাওনা ৱাংখৎহল্লক্তুনা থোং নম্বোনবীদা অকায়বা পীরক্কদবা ওইরবসু ঙাকথোক্লবগীদমক থোং নম্বোনবীগী মশা অপূন্বদা য়োৎশিং শীজিন্নদুনা চৈঙাক পীরগা ঙসি ফাওবা থম্লক্লিবনি।

থোং অসিগী নোংপোক থংবা থোংখোঙদসু ৱাটর সপ্লাইগী মফম অমা কন্দুনা থম্লকপা অসিনা থোং অসিবু মীয়ামগী মীৎয়েংফমদগী লাপথোক্লা উহল্লক্লবসু থোং নম্বোনবীগী মপাঙ্গল হাপকৎলিব্রা হায়নসু হংনরিবনি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মোৎপা তুরেল খরা খনগৎতুনা নালহন্নবগী থবক পায়খৎলকপদা নম্বুল তুরেলসু য়াওবদগী তুরেল অসিগী শক্তম লূনা-নান্না থম্নবগী থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লিবনি। থোং অসিগী অকোয়বগী মফম অমসুং থোংখোঙ অনীমক্তা অমোৎ অকায়, ফত্ত-হৌদিশিং লংথবা ঙমহন্দনবগী য়োৎকী জালি ফাওবা খাদুনা থম্লক্লিবনি।

অদুবু চহী য়ামশিল্লক্লবা থোং অসিগী ফীভম কায়হন্দনবগীদমক মশা পূম্বদা য়োৎকী চৈঙাক পীবা খক্তনা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা থোং অসিবু মীয়ামগী মীৎমাঙদগী মাঙহনখিদনা অদুমক থম্বা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসিদি পাউখুম ফংদ্রিবা ৱাহং অদুমক ওইরি। থোং নম্বোনবীগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর এন জি উত্তমগা অখন্ননা উনরুবদা মহাক্না হায়, থোং নম্বোনবীগী ফীভম মহৌশাগুম্না ওইহন্নবা শেমজিন্দ্রিবা ফাওবগীদি হায়দুনা য়োৎনা ঙাকসি হায়দুনা ঙাক্লকপনি। য়োৎকী চৈঙাকশিং অসিসু ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়রশিংগা তানরগা পায়খৎখিবনি। ঈশিং ঈচাও লাক্লবদসু থোং অসি চেম্থিবা ঙমদনবা হোৎনবনি। তশেংনমক্তি থোং অসি মণিপুরগী হিষ্টরিকেল মোন্যুমেন্ট এক্কী মনুংদা লৈরগসু থোং অসি মতমগা চুনবদগী নাথৈদুনা অনেন্বা থোং ওইবনা মতমসিগা চুনবা থোং অমবুদি ওইদবনি। মরম অসিনা থোং অসি মীয়াম্না উনরিঙৈগী মরক্তা অখণ্ড অহৈশিংগা তানদুনা লৌখৎলগা ম্যুজিয়মদা থম্নবা ফরগদ্রা হায়নসু খল্লি। থবক অসি অখণ্ড অহৈশিংগা তানদ্রবদি য়ারোই। মরম অসিনা লৈবাক মীয়ামগী মায়কৈদগীসু খন্নবা পাম্মী হায়রি।

থোং অসিগী ফীভম অদুমক কায়হন্দনা থম্নবগীদমক হোৎনরক্লবসু নেমদুনা লৈরক্লবা থোং অসিগী অনেন্বগী চাংসিদি অদুম লৈরগনি। ঈশিং ঈচাও হায়বসিসু তম্বা ঙম্বা নত্তে। মরম অদুনা থোং অসিগী মচাক মথুমশিং লৌখৎলগা ম্যুজিয়মদা মসিগী শক্তম মাঙহন্দনা থম্নবা হোৎনহৌবসু তঙাইফদ্রবা খল্লি হায়রি।

লোয়ননা থোংগী শক্তম অদুদা থোং অসিগী হৌদোকঙৈগী ৱারী পুম্নমকসু ইরগা মীয়াম খঙহন্নবা হোৎনবা য়াই। নৎত্রগনা অনৌবা মতমগা চুনবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা থোং নম্বোনবীগা চপ মান্নবা অমা শারগা পুৱারীগী লমায়শিং ইদুনা থম্নসু য়াগনি হায়না খল্লি হায়রি।

ইশম শম্বদা থোং অসিবু ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না উবা ফংখিদবা অদুমক্তি থোকহন্নীংদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

HIV IS TRANSMITTED THROUGH
Unprotected sex with an HIV infected person.
Sharing of HIV infected needles & syringes.
From HIV infected mother to her baby.
Transfusion of HIV infected blood or blood products.
Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society
HL-B/7016/2-31 July

ADMISSION NOTICE FOR 2021-2022
FEEDS GROUP OF INSTITUTIONS (FGI)
(College of Agricultural Sciences)
(Affiliated to Manipur University)

- ✓ Admission forms will be available in the institute's website w.e.f 10TH JULY, 2021 or can be collected from the college.
- ✓ Last date of form submission will be on 18th August 2021 (likely to be extended).
- ✓ Admission will be made on merit basis through counselling.

FOR DETAILS CONTACT US:
FEEDS GROUP OF INSTITUTIONS (FGI)
COLLEGE OF AGRICULTURAL SCIENCES, HENGBUNG,
KANGPOKPI, MANIPUR -795129.

COURSES OFFERED
- ❖ B.Sc (Hons) Agriculture
- ❖ B.Sc (Hons) Horticulture
- ❖ B.Sc (Hons) Forestry
- ❖ B.Tech. Biotechnology

ADMISSION CELL:
CONTACT NO: 8794073922 / 7085211925
E-mail: admissionfgi@gmail.com
www.feedsmanipur.org/feedscollege

ELIGIBILITY
10+2 with PCMB/PCB with minimum 50% (45% for SC,ST,OBC & PH)

SPECIALITY
- ➤ Smart Classrooms
- ➤ Well-experienced Faculties
- ➤ State-of-the-art Laboratories
- ➤ Fully furnished hostel For Boys and Girls separately
- ➤ Education loan facilities based on eligibility
- ➤ In-house Scholarship to class toppers

FOR ANY QUARIES:

	Name/ Contact
Director, FGI	Prof. J.M. Laishram Contact No. 7005560817
College of Horticulture	Prof. Luchon Saikia (Dean) Contact No. 9101761214
College of Biotechnology	Dr. Thokchom Dhanaraj Singh (Assoc. Prof.) Contact No. 9612929936
College of Agriculture	Dr. T. Lhingkhanthem Kipgen (Asst. Prof.) Contact No: 9366817688
College of Forestry	Dr. Khumukcham Ronald (Asst. Prof.) Contact No. 8257894164

HL-P/6883/12

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2021
For NEET (Medical) Aspirants
Admission form & Prospectus is available Online
➤ Class commencement from : 8th July., 2021
For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in

Special Features
- ☞ Classes for all subjects everyday for 6 days a weak through recorded videos & Zoom Live classes (Monday to Saturday).
- ☞ Assessment test every week on sunday (180 Questions within 3 hrs).
- ☞ After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- ☞ Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
- ☞ Course duration :- 2 months(likely to be changed, depends on NEET 2021).
- ☞ Study Materials will be provided.

SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS
- ☞ Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X 2019 Batch (Limited seats)
- ☞ Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X 2019 Batch (Through Screening Test)
- ☞ Fee concessions for COMET School students (Limited seats)

FIRST COME FIRST SERVE
HL-B/7030/10,12,14